কে ভি কে বিষ্ণুপুরগা খূৎশম্নরগা ওর্গানিককী নিংথম মহৈ-মরোং পুথোক্তুনা চহীদা লুপা লাখ ৫.৫০ রোম তানবা ঙম্লে : ইঙোচা

বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কে ভি কে) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সবজেক্ট মেট্টর স্পেসিএলিষ্ট, হোর্টিকলচর, বিজিয়াগী এদভাইস মখাদা ফার্মর নিংথৌজম ইঙোচানা মীয়াম্না পাম্নরবা ওর্গানিককী ওইবা নিংথম লৌরোক্কী মহৈ-মরেং, মনা-মশিং কয়া পুথোকপা হৌখ্রে।

শুবা-নোম্বা কনবা নিংথৌজম ইঙোচা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কুম্বী তেরাখাদা লৈবনি। মহাক্না নিংথম মহৈ-মরোং, মনা-মশিং অসি থাবা মতমদা ফোর্সন ট্রেক্টর অমদি পাৱর টিল্লর, কবোটা মেছিননচিংবা লৈবাক খোইবদা অমত্তা শীজিন্নদে। মদুগী মহুৎতা অয়ূক ঙন্না য়াহৌরগা য়োৎপাক্না লৈবাক মতেক-মতেক তৌরগা নীংথিনা শেম শারবা মফম অদুদা তোঙান-তোঙানবা মনা-মশিং লৌরাক্তগী খরা তাবা লৌফমদা থাবা মতমদা হান্নদগী হেন্না পোথোক পুথোকপা ঙম্লে। মহাক্কী লৌফম অসি খুগা তুরেলগী মনাক নক্না লৈবা মফম ওইবনা মতম-মতমগী মহৈ-মরোং থাবদা ঈশিংগী মথৌ তারকপা মতমদা থোইনা অৱাবসু লৈতে হায়না ফার্মর ইঙোচানা পাউচে অসিগা মহাক্কী ফার্মদা অখন্ননা উনরুবদা ফোঙদোরকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, অহানবদদি মতম-মতমগী মহৈ-মরোং অমদি মনা-মশিং মরুওইনা কোবিফুল, কোবিলৈ, চুজাক, কোলি হৱাই, খোংদ্রুম, মাইরেন, থবী, খামেন, পান অমদি বিট রুটনচিংবা থাবদা কা-হেন্না পোথোক পুথোকপা ঙম্লমদে। অদুবু কে ভি কে বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বিজিয়াগা থেংনরুবদগী মহাক্না অনৌ-অনৌবা মতমগা চুনবা সাইন্টিফিক টেক্নোলোজি অমদি ওর্গানিক মেন্যুএল ওইবা মনা-মশিংগী পোথোক হেন্না পুথোক্নবা হোৎনরকখি। মহাক্না হান্না ফংলম্বা পোথোক অদু হেনগৎনা ফংবা ঙম্নগা লোয়ননা ইনকমসু হেন্না লাকখি। চৎলিবা চহী অসিদা মহাক্না গঙ্গা পান মখল অসি লৌ শঙম অমরোম থাবা মতমদা লুপা ১,২০,০০০ রোম ফংবা ঙমখি। চুজাকনা লুপা ৩৫,০০০; মাইরেন ১৫,০০০; কোলি হৱাই ৩৫,০০০ রোম ফংবা ঙমখি। মমাং চহী ২০১৯দা লেমহৌবা খামেন, কোবিফুলনচিংবসু চহী অসিদা য়োনবা ঙমখি। মমাং চহীদা পূন্না মনা-মশিং থাবা মতমদা লুপা লাখ ৫.৫০ রোম ফংবা ঙমখি। অদুবু চৎলিবা চহী অসিদদি কোভিদ-১৯গী লোকদাউননা মরম ওইদুনা মহৈ-মরোং পুথোক্লিবা লৌমীশিংদা য়াম্না শোকহনখি। হৌখিবা ওক্টোবরগী অহানবা চয়োলদা থাখিবা কোবিফুল, কোবিলৈ অমদি কোবি মরূ কাবীনচিংবা কক্তুনা য়োনবা হৌরে।

মহৈ-মরোং থারিবা লৌফম অসি তুরেল মপান ওইবনা লৈবাক লৈহাও য়াম্না লৈ। অদুগা পাম্বীনা ঈশিংগী মথৌ তারকপা মতমদসু ৱাটর পম্প মচা অমনা তুরেলদগী ঈশিং চিংখৎলগা স্প্রেনচিংবা শীজিন্নদুনা কাপ্পী। কোবি থাবা মতমদসু থৌরী শাংনা তিংলগা পরেং-পরেং থাবনা পাম্বীনা মপূং-মরৈ ফারকপা মতমদসু য়েংবদা য়াম্না ফজে।

ইঙোচানা পুথোক্লিবা মতম-মতমগী মহৈ-মরোং, মনা-মশিং অসি মীওইবনা চাবদা হকচাং শোক্লোইদবা ওর্গানিক ওইবা মহৈ-মরোং ঙাক্তনি। হারসু মশানা শেমজে। ষণগী ষষ্ঠী ষণয়ুং খোমগৎতুনা পাম্বীগী মখোঙদা খরা-খরা চাইবীরগা ঈশিং অমুক চাইবদা অতেনবা মতমদা চাউরাক্লা থা অহুম মখায় ফারকপদা কোবিলৈ, কোবিফুল, কোবি মরূ কাবীশিং য়োনবা য়াই। ফার্ম অসিগী মনুংদা হৌবা নাপীশিং কংহন্দুনা মৈ থাদোকপগী মহুৎতা ফজনা পৈদুনা থম্লগা পৎথ-পুমথহল্লবা মতুংদা হার অমুক ওইনা শেমদুনা শীজিন্নৈ হায়রি।

ঐখোয়না মপান লমদগী পুশিল্লকপা রাসায়নগী হার হাপ্লগা পুথোরকপা মনা-মশিং, মহৈ-মরোংশিং মশক ফজরবসু কৈথেলদগী লৈরগা নুমীৎ নীনি-হুম্নি থম্বদা মশা অদু পৎথরক্তুনা কুইনা থম্বা য়াদে। অদুগুম্বা মনা-মশিং অদু তোয়না চারবদি হকচাংসু চহী খরগী মতুংদা তপ্না-তপ্না শোন্থরক্তুনা লায়না কয়া পোল্লকপা য়াই হায়না অখঙ-অহৈ কয়ানা মমাংদা ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে। মরম অদুনা মীয়াম্না চানবা থারিবা মহৈ-মরোং, মনা-মশিংদদি য়ারিবমখৈ ওর্গানিককী পোথোক ওইনা পুথোক্লবা হোৎনবা অসিনা মীয়াম্নসু পাম্বা হেল্লি।

অমরোমদা, কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কে ভি কে) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সবজেক্ট মেট্টর স্পেসিএলিষ্ট হোর্টিকলচর বিজিয়াগা উনবদা মহাক্না হায়, কুমজা ২০১৮দা এন ইঙোচাগী কুম্বী তেরাখাদা লৈবা ফার্মদা চৎতুনা য়েংলুবদা ইচম-চম্বা মওংদা মহৌশাগী ওইবা মওংদা মহৈ-মরোং থাদুনা পোথোক পুথোক্লবা হোৎনরম্মী। মহাক্কী থৱায় য়াওবা অদু উবদগী মোদেল ভিজিটেবল ফার্মিং অমা ওইনবগীদমক ট্রেদিসনেলদগী সাইন্টিফিক মেথদতা ফার্ম তৌনবা থবক পায়খৎপা হৌরকখি। হান্না ট্রেদিসনেল মেথদতা ফার্ম তৌবদা ফংলম্বা ইনকম চহীদা লুপা লাখ ৩.৫ ফংলম্বা অদু সাইন্টিফিক নোলেজ পীরগা ফার্ম অদুদা মতম-মতমগী মহৈ-মরোং থাবদা চহীদা লুপা লাখ ৫.৫০ রোম ফংবা ঙমখি। ফার্মর ইঙোচা য়াম্না হোৎনবা কনবা লৌমীনি। মহাক ইন্টিগ্রেটেদ ফার্ম ওইনা তৌবনি। মহাক্কী ফার্ম অসিদা এস আই এস বাইওফর্টিলাইজর অমদি ভর্মি কম্পোষ্টনচিংবসু মহৈ-মরোং থাবদা শীজিন্নরি। কে ভি কে বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী উৎলৌদা লৈবা অসিনা মতম-মতমগী মহৈ-মরোং থাদুনা পোথোক মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনরিবা লৌমীশিংবু পূক্লিং থৌগৎপীদুনা মখোয়না থারিবা মহৈ-মরোংশিং অদু কৈথেলদা ফংহনবা অসি য়াম্না মথৌ তারি। মরম অদুনা ফার্মরশিংবু মীয়াম্না পূক্লিং থৌগৎপীদুনা মখোয়বু অৱাংবা থাক্তা থম্বীদুনা মথৌ তাবশিং অদু মরী লৈনবা অমদি লৈঙাক্না পীবীগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লুখোশৈ জৌগী কেস গভর্ণমেন্টনা হায়কোর্টতা অপিল চৎকদবনি: য়ু এফ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): হন্দক্তা এন দি এন্দ পি এসকী স্পেসল কোর্ট অমনা য়াল্লবা দ্রগকা কোন্ননা ফাখিবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী হান্নগী এ দি সি চিয়ারমেন লুখোশৈ জৌ মরাল লৈত্রে হায়না থাদোকখ্রবসু মহাক্কী মতাংদা চথখিবা ইনভেষ্টিগেসনদা লমদম অসিগী মীয়াম্না পেন্দবা কয়া লৈবনা মরম ওইরগা মথক থোংবা কোর্ট অমদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবশিংনা অপিল চৎকদবনি হায়না য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না লুখোশৈ জৌ থাদোকখ্রবা মতুং জৌবু ফাবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবী এ এস পি বৃন্দনা মঙোন্দা ইকাইখুম্নবা উত্তুনা পীখিবা চিফ মিনিষ্টর’স পুলিস মেদল ফোর গেলেন্টরি হন্দোকখ্রে। মসিমক লৈঙাক অসিগী ওইনদি য়াম্না ইকাইনিঙাইনি। নুপী পুলিস ওফিসার অসিনা মেদল অসি হন্দোরকপা মতমদা লৈঙাক অসিনা ৱাখল খন্থদুনা থবক পায়খৎপগী মহুত্তা হৌজিকফাওবা করিমত্তা খঙশিন উশিন্নদনা লৈরি।

এন দি এন্দ পি এসকী স্পেসল কোর্ট অমনা লুখোশৈবু মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা অসিনা মরম ওইরগা লমদম অসিবু দ্রগতগী কন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা মাঙহন্নবা ওইনা হোৎনরব্রা হায়বগী চিংনবা কয়া অমা মীয়ামদা পোকহল্লে । চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌদোকখিবা ৱার ওন দ্রগকী ৱাহন্থোক লৈত্রে। লমদম অসিগী মীয়ামগীদমক লৈরিবা গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী য়াইফনবা খল্লগা থবক তৌবগী মহুত্তা লন্নাই মীওই খরগী য়াইফনবা মানবা মওংদা থবক তৌরকপা অসি য়াম্নমক লাইবক থিবনি।

লমদম অসিদা গভর্ণমেন্টনা দ্রগকী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা লো কয়া শেমদুনা থম্লবসু মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌদবনা মরম ওইরগা লমদম অসিদা দ্রগ থিংবা ঙমদবনি। হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা লমদম অসিদা চথুরক্লিবা দ্রগ ৱার অসি থম্মোয় শেংনা থিংগে খল্লবদি অতেনবা মতমগী মনুংদা থিংবা ঙমগনি হায়না ফ্রন্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ৱার ওন দ্রগকী ৱাহন্থোক লৈহল্লু হায়রক্লি।

নোংপোক লৌরেম্বমদা গেহু পাক্তুনা হুনখ্রে

থৌবাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী লৌ লোকখ্রবা লৌবুক লমহাংশিংদা মনা-মশিং থাদুনা ষ্টেট অসিগী পোথোক হেন্না পুথোক্নবা লৈঙাক্না হোৎনরিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নোংপোক লৌরেম্বমগী লৌমীশিংনা লৌ পরি তরেৎলোমদা অহানবা চাংয়েং ওইনা গেহু পাক্তুনা হুনখ্রে।

থৱাই ফার্মর প্রড্যুসর কম্পনি হায়না মিংথোনবা লৌমী ঙাক্তনা শেম্বা কম্পনি অসিগী লৌমীশিংনা শিন্দুনা পাঙথোকপা গেহু হুনবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লৌরেম্বমদগী লৌমী অমনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর লৈঙাক্কী এগ্রিকলচরেল দিপার্টমেন্টনা ফার্ম মেছিনরি বেঙ্ককী মখাদা ফোর্সন অনী লোন পীরকপদগী গেহু থাবগী থবক অসি পায়খৎপা ঙমখিবনি। হন্দক চহীদা অহানবা ওইনা পায়খৎলিবা গেহু থাবগী থবক অসি মখা তানা পাক শন্না পাঙথোক্লবা হোৎনখিগনি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লৌরেম্বম জি পিগী প্রধান নোমিনি ওইরিবা খোইরোম সনাখোম্বনসু লৌ লোকখ্রবা লৌফমশিং অসিদা মতম মতমগী মনা মশিং থাদুনা লৌমীশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং লৌমীশিংনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা থৱাই ফার্মর প্রড্যুসর কম্পনিগী লৌমীশিংনা লৌ লোকখ্রবা লৌফম পরি তরুক্তা গেহু অদুগা পরি অমদনা হৱাই চানা হুনখি।

সেঙমাই তুরেল কন্নবগী পাউজেল পীবা লমজেল পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ফাওদুনা চেল্লিবা সেঙমাই তুরেল কন্নবা পাউজেল পীবা লমজেল অমা ঙসি ককচিং রন্নর্স, ককচিংনা শিন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

সেঙমাই তুরেল কন্নবা পাউজেল পীদুনা চেনখিবা লমজেল অদু এদিস্নেল এস পি (ওপস) ককচিং ক্ষেত্রিমযুম মনিহার, মেনেজিং দাইরেক্টর জিবন হোস্পিটাল, ককচিং ডা. ৱাই অশোক অমদি ককচিং রন্নর্সকী এদভাইজর নাওরেম মুনালনা ককচিং মোইরাংথেম লৈকায়দা লৈবা ইবুধৌ সেঙমাই নিংথৌ লাইবুংদগী লমথাখি। লমজেল অদুদা শরুক য়াখিবা লমজেল্লোয়শিংনা সেঙমাই তুরেল ইচেলগী মতুংইন্না লমজেল চেনখি।

মীওই কয়াগী থৱায় ওইরিবা সেঙমাই তুরেল অমদি মসিগী মশা ওইরিবা ইথৈ লৌখোংশিং অসিদা অমোৎ অকায়, ফত্ত হাউদি কয়া হুন্দোক্তুনা মাঙহল্লবদি তুংদা তুরেল অসিগী ঈশিং শিজিন্নবা য়ারক্লরোই। মনাক নকপদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা মখল মখা কয়াগী লায়না শন্দোকহল্লক্তুনা খুদোংচাদবা কয়া ময়োক্লরকপা য়াই। অসিগুম্বা খুদোংথিবশিং অসি থোরক্কদবদগী কলহৌনবা পান্দমদা ঙসিগী লমজেল অদু পাঙথোকখিবনি হায়না ককচিং রন্নর্সকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা তুরেল অসিদা অমদি তুরেল অসিগা শম্নবা ইথৈ লৌখোংশিংদা অকোয়বদা খুন্দারিবা মীওইশিংনা অমোৎ অকায় হুন্দোক্তন্নবা অপিলসু তৌখি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ১৯ দা ফমখিবা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কেবিনেট মীফমনা এদ্যুকেসন (এস) কী মখাদা লৈরিবা তোঙান তোঙানববা ওজাশিংগী মণিপুর সর্বিস (রিভাইস পে) রুল, ২০১৯ এপ্রুভ তৌখিবা অদুগীদমক কাউন্সিল ওফ টিচর্স এসোসিয়েসন (সি ও টি এ) না চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি মহাক্কী কেবিনেট কলিগশিংদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা সি ও টি এগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রুবি কামসোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তানা ওজাশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং খঙবিদুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লৌরকখিবা ফিরেপ অসি ওজাশিংনা তরাম্না ওকই। মসিগীদমক দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর এন জয়কুমার অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেনবুসু এসোসিয়েসন অসিনা মখা তানা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মতম য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ফিজিকেল মোক এক্সরসাইজ অমা পাঙথোক্লবা থা অসিগী ২১গী অয়ুক পুং ১১.৩০ দা দি সি কমপ্লেক্স পোরোম্পাৎকী পঞ্চায়ট ভাবনদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু নুমিৎ অসিমক্কী নুংথিল পুং ২ দা য়ৈথোক্লে হায়না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নর খুমন্থেম দাইনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না, হায়রিবা নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ১১.৩০ তারকপা মতমদা দি সি কমপ্লেক্স পোরোম্পাৎতা আর্থক্বেককা মরী লৈননা ফিজিকেল মোক এক্সরসাইজ অমা পাঙথোক্কনি। এক্সরসাইজ অসিদা হায় রাইজ রেস্ক্যু, কোলাপস ষ্ট্রকচর সর্ছ এন্দ রেস্ক্যু এন্দ ফায়র রেস্ক্যুগী এক্টিভিটিশিংসু য়াওগনি। মরম অদুনা মেম্বর খুদিংমক্না মতম চানা লাক্তুনা হায়রিবশিং অসিদা শরুক য়ানবসু খঙহল্লক্লি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): সি এস আই আর-সেন্ট্রেল ফূদ টেক্নোলোজিকেল রিছর্স ইন্সটিট্যুট, মাইসোরনা শিন্দুনা মথং চহীগী জানুৱারী ৪ দগী হৌরগা ৮ ফাওবা ফূদ প্রোসেসিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্কনি হায়রি। ইম্ফালদা নুমিৎ ৫ নি চুপ্না পাঙথোক্কদবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা মশা মশাগী বাইওদাটা য়াওবা ফোর্ম অমা ই মেল iboyaima@cftri.res.in or ngibo@yahoo.com or whatsapp : 9845704011 দা থাজিল্লক্কবা প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর ডা. এন জি ইবোয়াইমানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। ফোর্ম থাজিল্লকপগী অরোইবা মতম্না থা অসিগী ২৮ দনি হায়রি।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): রিলিভিং দি হঙ্গর হায়বা ৱাফম অসিদা য়ুন্স্ফম ওইরগা লাইওনেস ক্লব ওফ ইম্ফাল সেন্ট্রেল অমদি লাইওনেস ক্লব ওফ ইম্ফাল তুরেল ভ্যু অনীনা খুৎশম্নরগা ‘ৱান মল্টিপল ৱান এক্টিভিটি’ হায়না মিংথোনবা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না লাইওনেস ক্লব ওফ ইম্ফাল সেন্ট্রেলগী সেক্রেটরি য়ুম্নাম রঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, থৌরম অদুগা মরী লৈননা লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল সেন্ট্রেলগী মীওইশিংনা ইশোকতা লৈবা ওর্ফানেজ হোম সেম্বী লৈমদা লৈরিবা মীওইশিংদা চেঙ কিলো ১৫০, হৱাই কিলো ৩০, চানবা থাউ লিটর ৬, থুম পেকেট ৪ অমদি বোদি সোপ ২০ খুৎশিন্নখি হায়রি।

হৈরোক ফোরমনা তোম্ববু তরাম্না ওকখ্রে

থৌবাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): বিহারগী ওফিসর ট্রেনিং একাদেমিদগী পাস আউট তৌরকখিবা মণিপুরদগী অসাম রাইফলসকী ওফিসর মঙাগী মরক্তগী অমা ওইরিবা হৈরোক পার্ট ৱান হৈতুপপোকপী লৈকাইদগী নিংথৌজম তোম্বা অপোকপা নিংথৌজম ইবোবীবু হৈরোক ফোরম ৱাটসএপ্ গ্রুপনা হরাউ তয়াম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি হৈরোক পার্ট ৱানদা লৈবা ফোরম অসিগী এদমিনসু ওইরিবা নিংথৌজম অভিচন্দ্রগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হৈরোক্তগী রিটায়র্দ সাইন্টিষ্ট নিংথৌজম ইবোমচানা চীফ গেষ্ট, হৈরোক ফোরম ৱাটসএপ্ গ্রুপকী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম তোম্বনা প্রসিদেন্ট অমদি লৈকাইগী অহল এম ইবোমচানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা রিটায়র্দ সাইন্টিষ্ট এন ইবোমচানা ফোঙদোকখিবদা, তোম্বগী হোৎনবা কনবগী মহয়না অসাম রাইফলসদা হৈরোক্তগী এসিস্টেন্ট কম্মান্দেন্ট ওইনা খল্লকপনি। মসিদা হৈরোক্কী মীয়াম্না চাউথোকপা ফাওই। লমদম অসিগী চীফ মিনিষ্টরনসু থাগৎ ৱাহৈ কয়া তোম্বদা ফোঙদোরকখিবসু লৈখ্রে। মহাক্কী মায় পাকপা অসি হন্দক্কী অসিনা অরোইবা ওইবা য়াদে। নেসনলগী থাক্তা ইমা লৈবাক্কীদমক মিংচৎ উরোং খিনবা থবক কয়া অমসু তৌরকখিগনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈ। মায় পাল্লবা তোম্বনা চৎলু-চৎলুবা মফমদা ইরমদম হৈরোকপু মশক তাকপা ঙম্বা ওইরকপা ওইসনু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা হৈরোক ফোরম ৱাটসএপ্ গ্রুপকী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম তোম্বনা হায়, মমাংথক্তা অৱা-অনা তারবা কয়াদা মতেং পাংখিবা কয়াসু ঙসি নৌহৌননা নীংশিংলকই। অমগা-অমগা মতেং পাংনবা হায়বা অসিনা অথোইবা লাইনিংনি হায়খি।

বিহারগী ওফিসর্স একাদেমিদগী পাস আউট তৌরকখিবা তোম্বনা থৌরম অদুদা হায়, হৈরোক ফোরম ৱাটসএপ্ গ্রুপপু তৌবীমল খঙবা উৎপগা লোয়ননা ফোরম অসিদা চাওনা লমন অমা তোনশিঞ্জরে। পূন্সিদা মায় পাক্কে হায়রবদি হোৎনবা কনবা তন্দবা অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী লাপ্না লৈবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, লিমিটেদ দিপার্টমেন্টেল কম্পিটিটিভ এগজামিনেসন ২০২০দা মায় পাক্তুনা অসাম রাইফলসকী এসিস্টেন্ট কম্মান্দেন্টকী ফম পায়বা মণিপুরদগী মীওই মঙাগী মনুংদা হৈরোক্তগী নিংথৌজম তোম্বসু অমনি। মহাক থা অসিগী ১৩দা ওফিসর্স ট্রেনিং একাদেমি(ও টি এ) বিহারদগী পাস আউট তৌরকখিবনি। অতোপ্পা মীওই মরি অদুনা কংলাতোংবীদগী অনী, চান্দেলদগী ১ অমসুং চুড়াচান্দপুরদগী মীওই অমনি।

ত্রিপুরাগী অভোয়নগরদা পাওনা ব্রজাবাশিগী মীতমদা হৈ-লৈ কৎতুনা ইকাই খুম্নখ্রে

ত্রিপুরা, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): অথৌবা পাওনা ব্রজাবাশিবু ইকায় খুম্নবা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌদাং অমনি হায়না অভোয়নগর পুথিবা সোসল ৱেলফেয়র এন্দ কলচরেল সোসাইটিগী সেক্রেটরি সিনাম কুমার সিনহানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ত্রিপুরাগী কোনুং অগরটালাগী অভোয়নগর মীতৈ লৈকাইদা পাঙথোকখিবা মণিপুর নিংতম লান্মী পাওনা ব্রজাবাশিগী ১৯৭ শুবা মপোক কুমওনগী থৌরমদা অথৌবা অসিগী মীতমদা হৈ-লৈ কৎপগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মরুপ পাউচেগী জোইন্ট এদিটর আর কে তরুনজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, মমা লৈবাক্কীদমক পূন্সিনা পোন্থা ওইখ্রবা অথৌবা অসিগী মপোক কুমওন ত্রিপুরাগী মফম অনী খক্তদা পাঙথোক্লি। অভোয়নগরদা থৌরম অসি পাঙথোকপা হন্দক্কী অসিনা অহুল্লক শুবনি। চহী খূদিং অথৌবা অসিগী মপোক নুমীৎ অমসুং লৈখিদবগী নুমীৎতা হৈ-লৈ কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎলি। ইবুধৌ পাওনা ব্রজাবাশি কুমজা ১৮২৩গী দিসেম্বর ২০দা পোকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা পুথিবা ৱেলফেয়রগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন নিরঞ্জন দত্তনা অথৌবা পাওনা ব্রজাবাশিবু শৈথারদুনা শৈরেং অমা পাথোকখি।

ইবুধৌ পাওনা ব্রজাবাশিগী মপোক কুমওনগী থৌরম অদুদা কে এস ঐচ গোপেশ্বর, এম নিলকমল, ওইনাম দেবদাস, গুরুময়ুম বিপ্লব, এন অনুপম, কে এস ঐচ অপরনা, বিনা অমদি এম মিনানচিংবা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ত্রিপুরাগী খোৱাই দিষ্ট্রিক্টকী মখাদা গৌরনগর খুঙ্গংদা লৈরিবা অথৌবা পাওনা ব্রজবাশিগী মীতমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট এন বিরানচিংবা শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুর লিটরেরি এন্দ কলচরেল সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট এন বিরানা হায়, হৌরক্লিবা ঙসিগী মীরোলনা ইমা লৈবাক্কীদমক্তা ইবুধৌ পাওনা ব্রজাবাশিনা লৌরম্বা থৌদাং অদু নীংশিংবা মথৌ তাই হায়খি।

সিম্পোজিয়ম লোয়শিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): ইন্সটিট্যুট ওফ বাইরিসোর্ছ এন্দ সস্তেনেবল দিভলপমেন্ট (আই এস বি দি), ইম্ফালনা সোসাইটি ফোর ইথনোফার্মাকোলোজি এন্দ ইন্টরনেসনেল সোসাইটি ফোর ইথনোফার্মাকোলোজিগা খুৎশম্নদুনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্না পাঙথোরকখিবা ইন্টরনেসনেল সিমপোজিয়ম ওন কোম্বেটিং কোভিদ-১৯ লোয়শিনখ্রে হায়না আই এস বি দি ইম্ফালগী সেনিয়র টেক্নিকেল ওফিসর (এদমিন) ডা. দল্লিয়ু মোহেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। থৌরম অদুদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ১৮ দগী লাকপা স্পিকর ৫৬ অমদি দেলিগেট ৫১৬ না শরুক য়াখি।

‘লুখোসৈ জৌ মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা য়ানিংদে’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): দ্রগকী কেসতা চৈন্নে হায়দুনা মতম কুইনা জেলদা লৈরুরবা এ দি সী চান্দেলগী হান্না চ্যেরমেন ওইরমবা লুখোসৈ জৌবু স্পেসল কোর্ট এন দি এন্দ পি এসনা মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তেন্থাগী মৈরা পায়বী ইমা-ইবেলশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা ইমা-ইবেলশিংনা দ্রগতি ফারগা মপূফাবা ঙমদবা হায়বসি পুলিসকী অশোনবনি, পাৱর এগেনষ্ট দ্রগ মমিংতগীনি, দ্রগ ফাবগী পাৱর সী এস ওশিংদা শীন্নবীয়ু, লুখোসৈ কেসতা সী এমনা তুমিন্না লৈবা য়ানিংদে হায়বনচিংবা প্লেকার্দশিং থেৎতুনা ৱাকৎ মীফম ফমখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী ইকোপ নিংথৌ নুপী চাউখৎ লূপ তেন্থাগী এদভাইজর মোইরাংথেম সনাতোম্বীনা ফোঙদোরকপদা, লুখোসৈগী কেস অসিগী মতাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মতম চানা ৱাহৈ অমা ফাওবা ফোঙদোক্তনা লৈবা অসি য়ানিংদে। লুখোসৈগী মথক্তগা মখা তাবা লৌখৎপা য়াবা কেস লৌখৎপীয়ু। মণিপুরদা হৌখিবা চহী কয়াদগী দ্রগকী কেসশিংদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তগা মতীক চাবা চৈরাক পীবা ঙমদবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মসিনা খুন্নাইদা অরানবা লম্বী অমদা পুরক্লবগী অচৌবা মচাক অমা ওইগনি হায়খি।

[illegible]
S3 COACHING CENTRE
(STEP TO SURE SUCCESS)
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
Class starting from 10th Dec. 2020
under strick SOP guidelines
For Class XI & XII
Subject offered are:
Maths
Physics
Chemistry
Biology
For Class X
Subject offered are:
Science
Maths
Social Science
MIL
Class timing:
6:00 am - 9:00 am
10:00 am - 2:00 pm
*First come first serve
For more details please contact:
9089770462, 9856331259
HL-B/6584/5/12-1/02

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

Ref :- Mutation Case No. 448/SDC/IW-L/2020
Ningthoujam (N) Yengkhom (O) Nonganbi Devi
W/o Bhudhichandra Singh of Senjam Chirang Maning Leikai.
-Vrs-
Late Ningthoujam Ibohan Sing S/o (L) Bakul Singh of Koutruk.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
19/12/2020

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার নিংথৌজম ইবোহন সিংহ পীতা মৃত বকুন্দ সিংহ সাং কৌত্রুককী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৭-কৌত্রুককী অনৌবা পাট্টা নং ৬০ দাগ নং ১৬৪ এরিয়া মৃ: পাট্টাদারগী শরুক ১.২০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/8308/21 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**

GOVERNMENT OF MANIPUR
EMPLOYMENT EXCHANGE, IMPHAL WEST,
EMPLOYMENT EXCHANGE COMPLEX, LAMPHELPAT.

N 0 T I C E
Imphal, the 17th December, 2020

No. EE/2/57/82: It is hereby notified to all Job-seekers that the following posts are lying vacant in the Directorate of Treasures & Accounts, Manipur. Willing eligible candidates who have registered with this Employment Exchange may contact Vacancy Asstt at Room. No 15 (A) during office hour for sponsoring their names. The detail particulars are given below

Sl .No	Name of Department	Name of post	Number of posts.	Qualification.	Date of submission/ Sponsored.
1	Directorate of Treasures & Accounts, Manipur.	Junior Accounts Assistant	59(fifty nine) 31-UR,18-ST,1-SC,7-OBC(M),2-OBC(MP)	Graduate who have completed a course on Computer concepts (CCC) (IDOS+ Windows + MS Office, + Multimedia + Internet of a central/State recognized institute.	19-12-2020 to 23-12-2020
2	-do-	Peon.	14(four-teen) 8-UR,4-ST,2-OBC(M) .	(i) Matriculate /Equivalent from any recognized institute..	-do-
3	-do-	Chowkidar	4(four), 3-UR,1-ST	Matriculate	-do-
4	-do-	Driver	2(two)-UR	(i)Matriculate (ii) Driving license (Light Motor Vehicle) with 3 yrs experience in driving.	24-12-2020 to 28-12-2020
5	-do-	Peon-cum-chowkidar	2(two)-UR	Matriculate	-do-
6	-do-	Sweeper	1 (one)-UR	Matriculate	-do-
7	-do-	Chowkidar-cum-Sweeper	4 (four), 3-UR, 1-ST	Matriculate	-do-

Age:-18 years to 38 years. 5 years Relaxation for ST/SC candidates and 3 Year for OBC Candidates.

Sd/- KH. SHYAMKISHORE SINGH
Employment Officer. Imphal west.